**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-07.2024)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-কাংচুপ খুলদগী মেরাংগীর মেচেক মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ফারে। মীহাৎ অসিদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিংসু ফাননবা হোৎনরি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লাইবক থিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কোকোমি অমদি য়ু.এন.সিগী মীহুৎশিং উন্নদুনা ঙসি ৱারী শান্নখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মখা তানা থোক্লকপা য়াবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা য়ান্নবা পুরকখ্রে। মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী মতুং ইন্না আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনরি।

অমরোমদা, সরকারগী অমদি এদেদ কলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিং অমদি ফেক্লতি মেম্বরশিংগা মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে। রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ শঙশিংদা মীৎয়েং থমদুনা অফবা মহৈ তম্ফমশিং ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা হায়রি। মহৈরোইশিংনা স্কোলারসিপ অমসুং সেমিস্তর পরিক্ষাশিং থাবা য়ানবগীদমক্তা ক্লাস য়াওবগী চাং চাদা ৭৫ ওইহনগদবনি হায়বা চৎনা কাঙলোন অদু ইন্না চৎকদবনি। মসিনা মহৈরোইশিংনা চাং নাইনা কলেজ কাবগী হৈনবী অমা লৈহনবা ঙমগনি।

**শিবা সেনা (এল)ঃ** শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-থা ১৪ হেল্লক্লবা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং লোয়শিনবগী মহুৎতা দল অমনা অমবু হুন্নদুনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা অসি লেপকদবনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়-থা অসিগী ৩১ দগী হৌগদৌরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীফমদা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবা দাবী তৌরিবা অসি হাউসতা পুখৎতুনা খন্নবা সরকারদা হায়জগনি। মহাকা হায়-হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সংসদকী মীফমদা মনিপুরগী ইরাং লোয়শিলহন্নবা দল অসিগী লুচিংবশিংদা তকশিনবীনবা হায়জবগা লোয়ননা মখোয়দা মেমোরেন্দম খুৎশিন্নগনি।

মহাকা হায়-হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মহৈরোইশিংদা চাউনা অপনবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। মহৈরোইশিং অসি তুংগী য়ুম্বীনি হায়না লৌনরিবনি। মরম অদুনা, কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা মহৈরোইশিংগী পুন্সি কন্নবা থবক মাংজিল থানা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

শ্রী তোম্বীনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সকী পার্সোনেল ৮ লৈখিদ্রে। মীওই ২০০ গী মথক্তা লৈখিদ্রে অদুগা মীওই লিশিং ৬৫ রোম ময়ুম মকৈ লৈতদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমকা খেৎনবা থাদোকদুনা অমত্তা ওইনা ফম্মীন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপগী মতম ওইরে।

**গভনর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনরেল লেফটনেন্ট জেনরেল-প্রদিপ চন্দ্রন নায়ক অমসুং আই.জি.এ.আর. সাউথ মেজর জেনরেল-রবরুপ সিংহনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা ওইরিবা সেক্যুরিতিগী মতাংদা পাউদমখ্রে। উন্নবা অদুদা ওফিসার অনি অসিনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অসাম রাইফলসনা ঙাক শেল্লিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

লমদম অসিদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহন্নবা হোৎনবদা

অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু রাজ্যপাল থাগৎপগা লোয়ননা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবদা মখা তানা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি।

সি.আর.পি.এফকী ১০৯ শুবা বটালিয়নগী কম্মান্দেন্ট-গোবিন প্রসাদ উনিয়ারনসু রাজ ভবনদা উন্নখি। ১০৯ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা রাজ ভবনগী সেক্যুরিতিগী ফিভমসু য়েংশিল্লি।

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী দাইরেক্তর-পি.বিলাস সিংহনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা একাডমী অসিগী মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাডদমখি। দাইরেক্তরনা হায়-হৌজিক ওইরিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা মহৈরোইশিংনা একাডমী অসিদা ক্লাস য়াওবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে। উন্নবা অদুদা একাডমী অসিগী এদভাইজরি কমিতিগী মীফম হয়েং রাজ ভবনদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

**কনফরেন্স (এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চথুগদবা ৱিমেন লেদ দিভলপমেন্ট- এ গেম চেঞ্জর হায়বা নেসনেল কনফরেন্স অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে। কনফরেন্স অদু রিছার্স এন্দ ইনফোর্মেসন সিষ্টেম ফোর দিভলপ্পিং কন্ট্রিজ (আর.আই.এস) নিউ দিল্লিগী মখাদা শিনবনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ, য়ুনিভর্সিতি অসিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসার ৱাহেংবম চান্দ বাবু সিংহ, আর.আই.এস নিউ দিল্লিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ প্রিয়াদারসি দাস অমসুং সেন্তর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিজ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দাইরেক্তর প্রোফেসার এম.সি. অরুনকুমার শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পর্সপেক্তিভ ওন ৱিমেন লেদ দিভলপমেন্ট-এ গেম চেঞ্জর হায়বা বুকলেট অমসু ফোংখি। নেসনেল কনফরেন্স অসি সেন্তর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিজ অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোসোফি, এম.য়ুনা শিনবনি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোতিশ্বর সিংহনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইবা অহানবা মণিপুর মচানি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা জষ্টিস কোতিশ্বরবু চাউনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

জষ্টিস-এন. কোতিশ্বর সিংহনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা হাপ্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-শ্রী কোতিশ্বরনা সুপ্রিম কোর্টকী জর্জ ওইনদি চাউথোকচনিংঙাইনি।

পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনসু জষ্টিস-এন. কোতিশ্বরনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরকপা অসি মহাকা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনখিবগী মহৈনি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনসু জর্ষ্টিস-এন. কোতিশ্বরনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মনিপুরদগী অহানবা ওইনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইবা অসিনা আইনগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই কয়ামরুমদা ইনোৎ পীবা ঙম্লগনি। মহাক্কী তুংগী থবক থৌরমশিংদা মায় পাকা পাঙথোকপা ঙম্লসু হায়রি।

**এল.জে.পি.(এল)ঃ** লোক জনশক্তি পার্টি (রাম ভিলাস)কী ষ্টেট ৱার্কিং প্রেসিদেন্ট থৌনাওজম রোমেননা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নবা কেন্দ্রগী দল অসিগী লুচিংবশিংদা তকশিনলগনি।

ইম্ফাল হোতেলদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী রোমেননা হায়-কেন্দ্রগী ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রিসু ওইরিবা দল অসিগী লুচিংবা চিরাগ পাসৱানগা উনদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা তকশিনলগনি।

মদুগী মমাংদা শ্রী থৌনাওজম রোমেনবু লোক জনশক্তি পার্টি (রাম ভিলাস) গী নেসনেল জেনেরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু. শ্রিমান সিংহনা দল অসিগী ষ্টেট ৱার্কিং প্রেসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মরি লৈনবা চেরোল অমা পাউমীশিংগী মমাংদা শ্রী রোমেনদা খুৎশিন্নখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থোকচোম বুঙোজিৎ সিংহবুসু দল অসিগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী প্রেসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়নসু লাউথোকখি।

**সিপিআই(এল)ঃ** থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা দিল্লিগী অজয় ভবনদা পাঙথোকখিবা সি.পি.আই. নেসনেল কাউন্সিলগী মীফমদা মনিপুরগী ইরাংগী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি-এল. খোইরেন সিংহনা মীফম অদুদা খন্নখিবা ৱারেপশিংগী মতাংদা ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা প্রেস মিট অমদা হায়-মনিপুরদা চহি অমা হেনজিল্লক্লবা ইরাং অসিবু দল অসিনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মনিপুরগী সমস্যা অসি লোয়শিন্নবা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা ৱাফমশিং য়াওখি।

**সিম্পোজিয়ম (এল)ঃ** করাম শ্যাম-এম.এল.এনা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি য়ামা লুবা ফিভম অমদা লৈরি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিনা শিনদুনা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোখিবা সমিটি অসিগী ৬৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শ্রী শ্যামনা হায়-থোক্লিবা ৱাথোক অসি মনিপুর থুগায়বা পাম্বা কাংবুশিংদগী মনিপুরবু কলহৌনবা হোৎনবগী য়ামা মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীদুনা তুং কোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

থৌরম অদুদা শকাইরবা অইবা প্রোফেসার নোংমাইথেম তোম্বীদা রাইটর ওফ দি ইয়ার লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

মনিপুর কলচরগী মতাংদা সমিতি অসিনা শিনদুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরমগা মরী লৈননা এৱার্ড অসি খুৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিগী ফাউন্দর মেম্বর-নামৈরাকপম মধুসুদন, রাজকুমার চৌরজিৎ অমদি খোমদ্রাম নন্দকিশ্বরবুসু ইকায় খুমবা উৎখি।

**চরান্দূ(এল)ঃ** ষ্টোফ দাইরিয়া কেম্পেইন-চান্দেল জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিনদুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলাংবম রাজকুমারনা হৌদোকখ্রে।

দাইরিয়াবু থিংবা, লু-নান্না লৈবা অমসুং ও.আর.এস. শিজিন্নবা হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা কেম্পেইন অদু হৌদোক্লদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-জিলা অসিদা দাইরিয়ানা নাবা অমত্তা লৈত্রে হায়দুনা লায়থোকপা য়াদে। মরম অদুনা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নদুনা অমুক্কা হেন্না চেকশিন্না অঙাংশিং য়াওনা মীপুম খুদিংমক দাইরিয়ানা নাহন্দনবা হোৎনমীন্নরসি হায়রি।

**এনএসয়ুআই (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা চরা হেনদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা অসি সরকারনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না নেসনেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন.এস.য়ু.আই) না হায়রি।

য়ুনিভরসিতি অসিগী মহৈরোইশিংনা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবা মফম অদুদা লুপ অসিগী মীহুৎ কাংবু অমা লাক্তুনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শাখি। লুপ অসিগী নেসনেল সেক্রেটরি-কবির অহমদনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিগী ভি.সি. য়াওনা লৈফম থোকপশিং লৈতবদগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। মসিনা মহৈরোইশিংগী তুংগী পুন্সি মাঙলগদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈ। মরম অসিনা

সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

**ফিল্ম(এল)ঃ** মনিপুরি সোর্ট ফিল্ম 'অকংবা পি' মথং থাগী অমদগী মঙা ফাওবা কেরলাগী মালায়ালম য়ুনিভরসিতি কেম্পস তিরুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাইন্স সভেন্টিনগী জোন অব্রাহম নেসনেল এৱার্ডতা উৎননবগীদমক খল্লক্লে।

ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া-কেরলানা শিনবা ফেষ্টিবেল অসিদা খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্রানা দিরেক্সন পীবা শরুংবম হরিপ্রিয়ারি দেবীনা প্রদুজ তৌবা মিনিট ২২ শাংবা ফিল্ম অসি কম্পিটিটিব সোর্ট ফিক্সন সেসনদা উৎনবগীদমক খল্লক্লে।

**লম্বী(এল)ঃ** ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী শেন্বা হৌরম্লগা লেপখিবা অসি অথুবা মতমদা অমুক হন্না শেন্বীনবা ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসননা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বীগী কোংবা থোংদগী কৈরাও সলাম ফাওবগী লম্বীগী ফিভম শেন্বীনবা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ৱার্ক্স মন্ত্রিদা হায়জখিবা লৈরে। লম্বী অসি ফত্তবনা মায়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙ আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমসুং অমফা কপগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা অংথা এফ.সিনা ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি. ইম্ফাল সিটি অমসুং গ্রাউন্দ দিবলপমেন্ট কমিতি পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.এফ.সি. তোকপা চীংনা টি.য়ু.সি. থোংজাউবা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৬৩ শুবা সুব্রোতো কপ ফুটবোল মথং থাগী ১৫ দগী ন্যু দিল্লিগী ডাক্তর অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। মনিপুরগী ওইনা উৎলৌ গভরমেন্ট মোদেল হায়স্কুলনা চহি ১৫ মখাগী নুপামচাগীদা, টি.জি. ইংলিস স্কুল-বিষ্ণুপুরনা চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগীদা অমসুং পোরোম্পাৎ শম্বল লৈকাই হায়স্কুলনা চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাগীদা মনিপুরগী মহুৎ শিল্লগনি।

**সংসদ ঃ** সংসদকী বজেট মীফম মাংওইননা সরকারনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা দল পুমমক্কী মীফম অমা কৌখ্রে। মীফম অদুদা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ইংনা চিকা চথবা য়ানবা সরকারনা রাজনিতি দলশিংদা আপিল তৌগনি।

সংসদকী বজেট মীফম থা অসিগী ২২ দগী হৌরগা মথং থাগী ১২ ফাওবা চথগনি। কেন্দ্রগী বজেটনা থা অসিগী ২৩ দা পুথোক্কনি। হন্দক্কী মীফম অসিনা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা বজেট মীফম ওইগদৌরি।

**মুহারম ঃ** অসুরা-এ-মুহারম লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসি প্রোফেট মুহামদকী মশুনুপা হজরত ইমাম হুসেন অমসুং মহাক্কা লোয়নবশিংনা কারবালাগী লানফমদা অচুম্বগীদমক থৱায় কৎখিবা অদু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা তাজিয়া প্রোসেসনশিং পাঙথোকখি। মজালিষ্ট হায়রগসু খঙনবা কারবালাগী লানফমদা থৱায় কৎখ্রবশিংগী মতিক মগুন শিংথাবা, ধর্ম্মগী ওইবা মীফম পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

মুহারমগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোন্বম বিরেন সিংহ্না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়-মুহারমনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা হনজিল্লকবা লন্বী য়াৎপা ওইরসনু হায়রি।

**মেট ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা অকনবদগীনা য়ামা কনবা ফাওবা নোং চুরবা য়াই। হায়রিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা গুজরাত, করনাতক, ছত্তিসগর, উরিষা অমসুং কেরলাদসু নোং কন্না চুগনি হায়রি। অমরোমাদ, লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মহারাষ্ট্রগী কোনকান, গোৱা অমসুং ময়াই থংবা মহরাষ্ট্রকী শরুক্তা কা হেন্না কন্না নোং চুগনি হায়নসু মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।